**30T MMAN**

# 2020

# MANIPURI

## (MODERN INDIAN LANGUAGE)

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 30**

**Time : Three hours**

*The figures in the margin indicate full marks for the questions.*

| | |
|---|---|
| *Q. No.* **1** *(Ka to Nya) carries* **1** *mark each* | 1×10=10 |
| *Q. No.* **2** *carries* **2** *marks each* | 2×6=12 |
| *Q. No.* **3** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **4** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **5** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **6** *carries* **4** *marks each* | 4×1=4 |
| *Q. No.* **7** *carries* **5** *marks each* | 5×2=10 |
| *Q. No.* **8** *carries* **5** *marks each* | 5×1=5 |
| *Q. No.* **9** *carries* **5** *marks each* | 5×1=5 |
| *Q. No.* **10** *carries* **6** *marks each (any two)* | 6×2=12 |
| *Q. No.* **11** *carries* **5** *marks* | 5×1=5 |
| *Q. No.* **12** *carries* **5** *marks each (any three)* | 5×3=15 |
| *Q. No.* **13** *carries* **10** *marks* | 10×1=10 |
| | Total = 100 |

## (New Course)

১। য়াম্না তেন্না পাউখুম পীয়ু ঃ ১×১০=১০

(ক) লর্ড আরুইননা মণিপুরবু করি হায়না মিংগৌরম্বগে? ১

(খ) 'অপাম্বনা নুংশি ফাংখোঙ পায়ফরোই'—কনানা হায়বনো? ১

(গ) মার্টিন লুথারনা বাইবলবু করম্বা লোনদা হন্দোকখিবগে? ১

(ঘ) 'মৈতৈ নুপী' হায়বা ৱারেং অসি কনানা ইবনো? ১

(ঙ) অকাওবগী ঈনুংবুংদা করি চেষ্থখিবগে? ১

(চ) মণি মপা-মচানা কনাগী হিদেন মপাদগী ইলিশা অমা ফাখিবগে? ১

(ছ) 'পুকচাক তানবনা পান্দম ওইবা শিক্ষাবু কনানা মমল পীদবগে? ১

(জ) 'Educere' হায়বসিগী অর্থ করিনো ? ১

(ঝ) 'মাতৃসেবক' হায়বসিগী ৱাহন করিনো? ১

(ঞ) 'কমলদা' হায়বা শৈরেং অসি কনানা ইবনো? ১

২। তেন্না ৱাহৈ পরেং অনী অহুমদা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৬=১২

(ক) অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লমজীং মৈরা পাইরম্বা অইবা অহুমগী মমিং ইয়ু। ২

(খ) 'নুপী হৈনি; লৈনি। হেক্লীংবনা পঙহেক মহেকপা'— ৱাফম অসি হায়বগী মরম করিগীনো? ২

(গ) 'শাপ নওে; অমাঙবা নওে, বরনি'— ৱাফম অসি কনাগী মরমদা? হায়রিবনো? অঘুম্না হায়বনা করিগীনো? ২

(ঘ) য়ুনচিংবা নিশা কাবা পোৎশিংনা লাকহৎলবা মণিপুরী সমাজবু মৈতৈনুপীশিংনা মদু কোক্লাবা করি তৌখিবগে? ২

(ঙ) "ইস ফজরেদা হাউরনিদা পাবো।' —কনানা হায়রিবনো? হাউরনিদা হায়রিবসিনা করিনো? ২

(চ) ARSH গী অশাংবা মমিং করিনো? ২

৩। (ক) "রবী অমসুং শরতকী উপন্যাসতা য়াওবা নুপীনা মৈতৈ নুপীগী মনাক নগচবা ঙম্লোই।"— ৱাকম অসি অইবনা করিগী হায়রিবনো? মরম পীদুনা ইয়ু। ২+২=৪

*নত্রগা*

(খ) 'অদুমদি কম্মিন্নগতি; মায়দি ওনশিন্নরোই।"—ৱাফম অসি কনা কনাগী মরমদা হায়রিবনো? ৱাফম অসি হায়বগী মরমনা করিগীনো? ২+২=৪

৪। (ক) STD হায়বসি করিনো? STD খক্কী মমিং তাক্তুনা ইয়ু। ৪

*নত্রগা*

(খ) 'ইন্দাষ্ট্রিয়েল রিভোলুশন' হায়বসি করিনো? মসিগী মহৈনা করিনো? ২+২=৪

৫। (ক) কবি কমলনা শিরুম-নারুম্বা মৈতৈ হায়রিবসি কনা কনাবুনো? মখোয়বু করি তৌরগা তেকখ্যহনগনি? ২+২=৪

*নত্রগা*

(খ) "কদোমদনো লম্বেনসিবু

চীনগা খুৎকা মান্নদবা

লমথুংফমগা লম্বেনগা শন্নদবা

ফিদমদগী মীশক্লা লুবা"

— কনাগী মরমদা হায়রিবনো? ৱাফম অসি করিগী হায়রিবনো শন্দোক্লা তাকউ। ১+৩=৪

৬। (ক) "খোল্লৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোঙনা"—
পরেং অনীসিদা ফোঙদোকলিবা ৱাফম অদু করিনো তাকউ। ৪

*নত্রগা*

(খ) 'নুমিৎ লাক্লনি, নুমিৎ লাক্লনি'—
মসি কদায়দগী লৌখ্যপনো? ৱাফম অসিনা করি খঙহল্লিবগে তাকউ। ১+৩=৪

৭। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×২=১০

(ক) লোকসাহিত্য কদায়বু কৌই? মোইরাংদা মতম অমদা ওইরম্বা চনুরাশিংগী ফিভমশিং অদু ইদুনা তাকউ। ১+৪=৫

(খ) 'মহাক্কী মতৌ তম্বদি ওইথোক্তে। অমুগা মহাকপু-পাদবদি য়াছে।'—ৱাফম অসি কনাগী মরমদা হায়রিবনি। মরী লৈনবা ৱাফম অদু তাকউ। ৫

(গ) 'মুরুম মুরুম শোল্লকই, মসিদি! তুরেল ময়াইদা হেক নমশিনববু।'—মুরুম মুরুম শোল্লিবা মীশকসি কনানো? মসিদা হায়রিবসিনা করি পোৎনো? করি মরমগী তুরেল ময়াইদা নমশিনগে হায়রিবনো? ১+১+৩=৫

৮। (ক) হিদাক লান্না শীজিন্নবা (Drug Abuse) গী মওংশিং অদু অদু করিনো তাকউ। ৫

*নত্রগা*

(খ) ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা মরমশিং অদু করি করিনো ইয়ু। ৫

৯। (ক) 'পুন্সি হিদোম' শৈরেংগী নুংগী ভাব অদু শন্দোক্লা তাক্তুনা ইয়ু। ৫

(খ) 'কমলদা' শৈরেংদা কবিনা ফোঙদোকনিংলিবদু শান্দোক্লা তাকউ। ৫

১০। য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্কুনা ইয়ু ঃ (অনীদংগী) ৬×২=১২

(ক) হে লৈবাক মচা মাতৃসেবক
স্বার্থত্যাগকী শিদ-হীদাক
থাবিয়ূ মন্দিরগী অকোয়বদা
পুন্সিবা পাল্লবদি মৈতৈ চনুগী ৬

(খ) থিরখিনি নচাশিংনা নোংমদি
শিঙ্গরকপা পিগা লোয়ননা
অনুতাপ্না চারুবা দুষ্যন্ত!
মতমদুদা নহাক্তি কদায়দা
কদায়দা ইমা কদায়দা! ৬

(গ) লৈকোল অসি কুইদরি
খোন্নৌ নহা খোইনিং অমা
খোংজরমই মখৌ পোঙনা
চেকলা মদোম ঙাইজখি
নীংঙমখিদে মহাকথক—কুইদরি। ৬

১১। (ক) এম, কে, বিনোদিনীগী খুৎইগী থোইদোকপা মশক শীংথাদুনা ইয়ু। ৫